হুইয়েন লানপাউ

ককচীং দিষ্ট্রিক্তকী পল্লেল পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা পল্লেল কৈথেল অমসুং অকোয়বদগী পুলিসনা ফাগৎলকপা য়ুঙাংশিং মৈ থাদুনা মাঙহনবগী শক্তম

লামায় ৩

মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা পিপলস এক্সন ফোর নেসনল দেমোক্রেটিক মুভমেন্ট (পান্দম)গী ৮শুবা মপোক কুমওন থৌরমগী শক্তম

লামায় ৩

নেসনল কম্মিসন ফোর ৱিমনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা লিগেল এৱেরনেস প্রোগ্রামগী থৌরম

লামায় ৩

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ত হেদক্বার্টরসতগী কিলোমিটর ৬০ রোম চৎলগা তাদুবীদা লৈবা চখা প্রাইমারী হেল্থ সব-সেন্টর শানবা মিনিষ্টরনা উরেপ-উয়ুং তন্বা

Vol. 41, Issue No.288 নোংমাইজিং, ৱাকচিং ২৮নি পানবা, অপূনবা লামায় মশিং ১২ HUEIYEN LANPAO, Sunday, January 14, 2018, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ত

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬৯.২৪
দীজল : লিটরদা লুপা ৫৯.৭৪

কালিমোহন লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ :খোরিরোল চাউখৎহন্নবা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বদা নত্তনা মীয়ামগী প্লেরাইট অমা ওইনা শকখঙনরবা নাওরেম কালিমোহন ঙসি অয়ুক পুং ৯ তাবদা ককচীং নিংথৌ লৈকায়দা লৈবা ময়ুমদা লৈখিদ্রে। মশাগী চহী ৮৮ হেনখ্রে। লৈখিদ্রবা কালিমোহন মতম অমদা এগ্রীকলচর ওফিসার ওইনা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা থবক তৌরমই। দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস ককচীংগী প্রসিদেন্ট, লায়ন্স ক্লব ককচীংগী চার্টর প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরমই। মহাক সাহিত্য সেবা সমিটি হৌদোক্লম্বা শক্লাইরবা মীওইনি। মহাক্না ইরন্বা দ্রামাশিংগী মনুংনা অপঙ খুঞ্জাও সু অমনি। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনা মঙোন্দা সাহিত্য ভূষণ, নহারোল সাহিত্য *...মখা লামায় ৩ কলম ১*

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	২১.৪৩ °C	৮.০২ °C
চান্দেল	২৫.৭০ °C	৮.৮৪ °C
সীসীপুর	২২.২৮ °C	৬.৭০ °C
ইম্ফাল	২৩.৩৭ °C	৬.১৪ °C
সেনাপতি	২১.৯৭ °C	৪.১৯ °C
তমেংলোং	২৩.৩২ °C	৬.০২ °C
থৌবাল	এন এ °C	এন এ °C
উখ্রুল	১৭.৪৪ °C	৫.৩১ °C
মণিপুর	২৬.৩০ °C	৪.১৯ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৬.০০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৪২
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	77.574152
US Dollar	63.57875
British Pound	87.266268
Australian Dollar	50.372531
Chinese Yuan Renminbi	9.84283
Japanese Yen	0.572804
Malaysian Ringgit	16.006044
Norwegian Krone	8.022095
Singapore Dollar	48.021566
South Korean Won	0.060029
Swedish Krona	7.890151
Turkish Lira	16.954234
Myanmar Kyat	0.04707
Bangladesh Taka	0.76734

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 30684.49
Mumbai	–	Rs 31304.81
Delhi	–	Rs 31016.04
Kolkata	–	Rs 31518.72

HL POLL

Q : PG medical entrance ki centre Manipurda tahanbagi thoudang leingakna loufam thoktabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak
www.hueiyenlanpao.com
da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Supreme Courtki judge marina chief justiceki matangda press conference toukhibasi yaningbra?

Yes 68% No 32%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

অস! লোইরেহে!



ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌদনা কমাইনা কোয়লাস থারিনো...?

সার, ময়াম্না লৌবিখিদুদি কমদৌবা!

অনা-লায়েংদা মীৎয়েং চঙবীদবগী জেসামিগী খুঞ্জাশিংনা লৈঙাক্তা ৱারৌরে

‘মোরে হোস্পিটালগী গাইনিকোলোজিষ্ট ট্রান্সফর তৌবা য়ারোই’

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩(ঐচ এন এস): নাগালেন্দগা থংননা লৈরিবা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্তকী জেসামি প্রাইমারী হেল্থ সেন্টর (পি ঐচ সী)দা ডোক্টর অমখক্তা চৌকিদার অমখক্তা চলাইবদগী অনা-লায়েংগী থবক্তা শাথিনা খুদোংচাদবা মায়োক্লুরে।

জেসামিগী ভীলেজ চীফ অনিজোতেনা পাউচে অসিদা হায়, হোস্পিটাল অসি পুং ২৪ চুপ্পা মথৌ তৌগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি। থৌশীল অসিগী মখাদা ডোক্টর মরি, নর্স তরেৎ অমসুং পেরা মেদিকেল ষ্টাফশিং মতিক চানা থমগদবনি। অহানবদদি য়াম্না মওং মানহল্লগা ডোক্টর মরি থারক্লমই। অদুবু হায়রিবা ডোক্টর মরি অদুগী মনুংদা অহুমদি থা খরগী মমাঙদা ট্রান্সফর তৌবীখ্রে।

মহাক্লা মখা তানা হায়, পি ঐচ সী অমা চলাইবদা চঙবা নর্স, ফার্মাসিষ্ট, পিওন, ক্লর্কনচিংবা অমফাওবা লৈত্রে। ডোক্টর অমগা চৌকিদার অমগনা নোংমদা পুং ২৪ মথৌ তৌবা ঙমগদ্রা হায়বসি লৈঙাক্লা খন্থবিগদবনি। করিগুম্বা লৈঙাক্লা ডোক্টর থারক্লোই হায়রগদি তোমথিন ওইনা মফমদুদা মথৌ তৌরিবা ডোক্টর অসিসু লৌথোকপীখ্রো, হান্নদগী হৌনা য়ুমথংনবা নাগালেন্দদা অনা-লায়েংগী ওইনা তাংদুনা লৈরিবসি অদুমক তাংজরগে।

প্রাইমারী হেল্থ সেন্টর অসিগী ডোক্টর ৱাৎলে, নর্স অমদি পেরা মেদিকেল ষ্টাফশিং অমফাওবা লৈত্রে হায়বা ৱাফম অসি হৌখিবা দিসেম্বর থাদা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী অসিগী এম এল এসু ওইরিবা খাসিম ভাসুমদা চেরোল অমা থাদুনা খঙহনখ্রে। মদুগী মতুং মখা তারকপদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনদসু ৱাকৎ চেরোল অমা পীশিনখ্রে। হায়রিবা ৱাকৎ চেরোল অদু চীফ মিনিষ্টরনা মরী লৈনবা মিনিষ্টর অমসুং হেল্থ কম্মিস্নারদা কোপি অমমম য়ৌহল্লু হায়না ফোঙদোরকপা মতুং ইন্না মখোয়দসু কোপি অমমম থাখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা থবক অমফাওবা লৌখৎলকপা লৈত্রে হায়না লৈঙাক্কী থৌওংদা ৱারৌবা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর ওইরিবা মোরে হোস্পিটালদা মথৌ তৌরিবা অমখক্তমক ঙাইরবা গাইনিকোলোজিষ্ট ডোক্টর অসি ট্রান্সফর তৌবা য়ারোই। করিগুম্বা মহাক ট্রান্সফর তৌগে হায়বা তারবদি গাইনিকোলোজিষ্ট ডোক্টর অমা হান্না থারক্কদবনি হায়নসু মোরেগী ওল কম্ম্যুনিটি লীদরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হায়রিবা হোস্পিটাল অসি হৌজিক্তি মোরে খক্তগী ওইদ্রে। য়ুমথংননা লৈরিবা ম্যান্মারগী নম্ফালোং অমসুং তমুদা লৈরিবা মীয়ামসু মফমসিদা লাক্কুনা লায়েংই অমসুং অঙাং উনবগী থবক তৌরি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ডোক্টর অসি ট্রান্সফর *...মখা লামায় ৩ কলম ১*

মন্দলেদা পাঙথোকপা বিজিনেস সমিটতা এম এল এ ৪ শরুক য়াগনি

নুপী ফুটবোল টিম জন্যুৱারী ২৪দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩(ঐচ এন এস): ম্যান্মার অমসুং ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইরিবা মণিপুরগী মরক্তা হেন্না নকশিন্নবা অমসুং অফবা মরী থম্নবগী পান্দমদা মন্দলেদা পাঙথোক্কদবা বিজিনেস সমিটতা মণিপুরগী য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ অমসুং এম এল এ অহুম শরুক য়াগদৌরি।

এক্ট ইষ্ট পোলিসি কম্মিটিগী কনভিনর আর কে শিবচন্দ্রনা পাউমীশিংদা হায়খি, চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী লমজিং মখাদা মন্দলে অমসুং মণিপুরগী নুপী ফুটবোল টিম ফ্রেন্দলি মেটচ মখা তানা শান্ননবা মণিপুরগী নুপীগী টিম থা অসিগী ২৪দা মন্দলেগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি। হায়রিবা টিম অসিগা বিজিনেস সমিটতা য়াওগদৌরিবা এম এল এ অহুম্না লূচিংবা টিমগা খোঙবু ওইরগা চৎমিন্নগনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, বিজিনেস সমিটতা শরুক য়াগদবা টিম অদু য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা লূচিংগনি অমসুং সমিট অদুদা এম এল এ য়েঙ্খোম সুরচন্দ্র, পাওনম ব্রোজেন অমসুং এল সুশিন্দ্রো শরুক য়াগনি।

মন্দলে/নেপিদোদা থা অসিগী ২৭ অমসুং ২৮দা মণিপুরগী নুপীগী ফুটবোল টিমগা ফ্রেন্দলি মেটচ শান্নগনি। হন্দক্কী মণিপুরগী টিম অসিদা মমিং লৈরবা মণিপুরগী নুপী শান্নরোয়শিং শুনা য়াওগদৌরি।

পনবা য়াবদি, মণিপুরগী মমিং লৈরবা নুপী শান্নরোয়শিং অদু ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌরিবনি অমসুং মমাঙ চহীগী সঙাই ফেষ্টিবেল মনুংদা ইম্ফালদা পাঙথোকপা লৈবাক অনীগী নুপীগী ওইবা ফুটবোল মশান্নদা মখোয় মপান লৈবাক্তা লৈখিবা মরম্না শরুক য়াখিদবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, হান্না মন্দলে ফুটবোল টিমগা মণিপুরগী নুপী টিমগা মেটচ অনী শান্নগনি হায়না তৌরম্বদুগী মহুত্তা থা অসিগী ২৭ তা সগাং ষ্টেট ৱিমন ফুটবোল টিমগা শান্নগনি। মথংগী নুমিৎ থা অসিগী ২৮দনা মন্দলে ফুটবোল টিমগা শান্নগনি।

মণিপুরগী নুপী ফুটবোল টিম লাক্কনি হায়বা তাবদগী সগাং ষ্টেটকী কালিমিও, মোনিৱা, তমুনচিংবা মফম কয়াগী ফুটবোল টিম্না মখোয়গসু মেটচ অমা শান্নগে হায়দুনা তকশিল্লকপা লেপত্রি। মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা মন্দলেদা ফুটবোল শান্নবা হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইগদৌরি।

ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ লোইরবা মতুং জন্যুৱারী ২৯দা মণিপুরগী লল্লোন-ইতিক তৌরিবা শক্লাইরবা মীওই ২২গা ম্যান্মারগী লল্লোনবশিং অমসুং লৈঙাক্কী মশক নাইবা মীওই কয়াগা ট্রেদ এন্দ কম্মর্সকী মতাংদা ৱারী শানগনি। পাঙথোক্কদৌরিবা সমিট অসি সেমিনার অমগুম্বগী মওং নত্তে, হকথেংননা লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিং করম্বা মওংদা লৈবাক অনী অসিনা লল্লোন-ইতিক তৌনবা য়াগদগে অমসুং করম্না পাউ ফাওনগদগে হায়বা ৱারী শানবদা য়ুম্ফম ওইগনি। থৌরম অদুদা মন্দলেগী চীফ মিনিষ্টরসু শরুক য়াগনি।

ফুটবোল মেটচ অনী অসি য়েংবা চৎনিংবা অমসুং ম্যান্মারদা কোয়বা চৎনিংবশিংসু হন্দক্কী অসিদা খোঙবু ওইনা চৎমিন্নবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈগনি। মসিগীদমক অহানবদা চৎকদৌরিবা মীওইশিং অদুগী পাসপোর্ট মথৌ তাগনি। খোঙচৎ অসিগী ওইনা ভিসা কোম্না ফংবগী খুদোংচাবা লৈগনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ফুটবোল শান্নরোয়, ওফিসল থারগা পুন্না মীওই ৩৫ অমসুং বিজিনেস সমিটকী মীফমদা শরুক য়াগদবা মীওই ২৪দি চৎনবা থৌরাং তৌদুনা লৈরে হায়নসু মখা তাখি।

লৈবাক লান্না পাইরকপা উচেক মশীং থিদৌরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩(ঐচ এন এস): লৈবাক লান্না পাইরক্কুনা লোক্তাক পাৎতা চাক্তারিবা উচেক্কী মশীং হস্থরক্লিব্রা নৎত্রগা হেনগৎলক্লিব্রা হায়বা খঙদোক্নবা থা অসিগী ২০দা উচেক মশীং থিগদৌরি।

ৱাইল্ড লাইফ ৰিং, দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেষ্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর, ইন্দিয়ন বার্দ কঞ্জার্বেসন নেটৱার্ক মণিপুরনা ক্লব, ওর্গনাইজেসন কয়াগা খুৎশম্নরগা উচেক মশীং থিবগী থবক অদু চৎথগনি। উচেক মশীং থিবদা শরুক য়াগদবশিংগী মোটিভেসন কেম্প অমা কৈবুল লমজাওদা থা অসিগী ১৬ অমসুং ১৭তা পাঙথোক্কনি হায়রি।

চহী খুদিংগী ওইনা তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৫০ রোমদগী পাইরকপা উচেকশিংনা লোক্তাক পাৎতা চাক্তাররি। হৌখিবা চহী কুমজা ২০১৬তা লৈবাক লান্না পাইরকপা উচেক্কী মশীং ৪০,০০০ রোম উবা ফংখি। অদুবু হৌখিবা চহীদদি অঙকপা মওং অমদা উচেক মশীং ৫,০০০ রোমদগী হেন্না উবা ফংখিদে। মসিগী মরুওইবা মরম করিগীনো হায়বা খঙদ্রগসু লোক্তাক পাৎ অমদি মসিগী অকোয়বদা এল ঈ দি বল্ব শীজিন্নবনা ওইগনি হায়না পানরি। মসিদসু নত্তনা মীওই কয়ানা লাং থাক্তুনা উচেক ফাবনসু পাৎ অসিদা উচেক চাক্তারক্তবগী মরম অমা ওইরি।

লোক্তাক পাৎকী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামদা নুমিদাংগী মতমদা শীজিন্নরিবা এল ঈ দি বল্বশিং অসি উচেক্কী মমিৎ থকহন্দুনা মখোয়দা হৈনদবা ফীভম অমা ওইহল্লি হায়বা ইনভাইরোনমেন্টেলিষ্টশিংনা মমাঙদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

অফবা লৈঙাক্তা মনুং-মপান ফাওনা উহনবা চঙই : বিশ্বজিৎ

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩(ঐচ এন এস): অফবা লৈঙাক অমা লৈহনবদা মনুং-মপান ফাওনা উহনবা চঙই হায়না ৱার্কস মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা লানমৈ থানবী ভোল্যুম-৬ নম্বর-১ ফোঙবগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

রিজনেল ফেলোসিপ ওফ পিছনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা ৱার্কস এন্দ আই পি আর মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়খি, ঈং-তপ্পা লৈবা মফমদা চাউখৎপা পুরক্কনি। চাউখৎপা পুরক্কবগীদমক ঈংনা-তপ্পা লৈহনবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। খুন্নাইগীদমক হিংলিঙৈ মতমদা কথোকপগা লোয়ননা হোৎনরম্বা চঙই। অফবা খুন্নাই অমা পুরক্কুবা হোৎনবদা নহাশিংগী থৌদাং য়াম্না চাউই।

অফবা লৈঙাক পুরক্কুবা ট্রান্সপরেন্সী, একাউন্টেবিলিটি অমদি রেস্পোন্সিবিলিটি হায়বসি মরুওইবা অমনি। লৈঙাক অসিনা য়াম্না ট্রান্সপরেন্সী লৈনা থবক থৌরম খুদিংমক পায়খৎনবা অখন্নবা মীৎয়েং থম্লি। দাইরেক্ট বেনিফিট ট্রান্সফর-নচিংবা লাক্লিবা অসি ট্রান্সপরেন্সী পুরকপগী খুদম অমনি। লৈঙাক্লা চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎলকপা মতমদা মীয়াম্না শৌগৎপা হায়বসিসু য়াম্না মরুওইবা অমনি। মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থবক থৌরাংশিং অসি খঙমিন্নবা চঙই। তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মতাংদসু পুন্না খঙমিন্নদুনা মদুগী খুদোংচাবা লৌহৌনবা হোৎনবা চঙই।

লানমৈ থানবী ঙসি লোঞ্চ তৌরে। য়াম্না ক্বালিটি লৈবা মওংদা পুথোক্লবা হোৎনবা তঙাইফদে। লানমৈ থানবী পুথোকপা মতমদা মমায় ফজহনবা অমদি মনুংদা য়াওরিবশিং অসিসু য়াম্না ক্বালিটি লৈনা পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈ। হেন্না ফজবা মওংদা পুথোরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

মণিপুর হ্যুমেন রিসোর্ছ অমদি নেচরেল রিসোর্ছ নীংথিনা লৈবা লমদম অমনি। লমদম অসিদা লৈরিবা রিসোর্ছশিং অসি নীংথিনা শীজিন্নদুনা চাউখৎপা পুরক্কুবা হোৎনমিন্নসি। তোঙান তোঙানবা অচৌবা ষ্টেট কয়াদা কেমিকেল ফর্টিলাইজর শীজিন্নদুনা পোখোক্তি য়াম্না পুথোরক্লবসু হৌজিক্কী মতম অসিদদি হকশেলগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্নরক্লি। কেমিকেল ফর্টিলাইজর কা হেন্না হাপ্পগা পুথোকপা পোথোকশিংগী মতাংদসু খঙমিন্নবা চঙই।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক *...মখা লামায় ৩ কলম ১*

ৱারোইশিন পুরকপদা থম্মোয় শেংবা চঙই : অমুকো

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩(ঐচ এন এস): ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) অনীগী মরক্তা খুৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা পুম্নমক্কবা য়ানবা ৱারোইশিন অমা পুরক্কুবা হোৎনবদা কাঙলুপ খুদিংমক্কী লূচিংবশিংনা থম্মোয় শেংবা চঙই হায়না অমুকোনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী ক্বাকৈথেলদা লৈবা ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)কী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ দেবান শর্ম্মা হায়খি, ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা লৈরিবা চরাংনবশিং ঐখোয় মশেলগী মরক্তা ৱারী শানদুনা হেন্না ফগদবা মায়কৈদা ৱারোইশিন পুরক্কুবা হোৎনমিন্নসি।

চহী লীশিং কয়াগী মমাঙদগী মণিপুরদা কাঙলুপ কয়ানা নুংশি-চান্নবা হিংমিন্নদুনা লাক্লি। অমুকোনসু কাঙলুপশিংগী মরক্তা লৈনরিবা নুংশিবগী মরী তৎনহন্দনবা অমসুং হেন্না চেৎশিনহন্নবা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম অমসুং ঙমখৈ ঙাক্তুনা নুংশি-চান্নবা লৈমিন্ননবা ঐখোয় পুম্নমক্লা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়নসু মখা তাখি।

মহাক্লা হায়, অমুকোনা মীয়ামগা লোয়ননা থবক তৌরকপা চহী ২৫ মপুং ফারকপগী সিলভর জুবিলিগী থৌরম নুমিৎ নীনি চুপ্পা ইম্ফালগী মণিপুর ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটি (এম এফ দি এস)গী হোলদা পাঙথোক্লগনি।

সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী মনুংদা য়াম্না লিরবা চহী লিশিং অনী হেনবগী পুৱারী লৈবা, তোঙান তোঙানবা ফুরুপ ৩৬ হেন্না খুন্দামিন্ননরিবা লমদমনি। পুৱারীগী তাঙ্কক্তা মমাঙগী মীরোল কয়ানা থেঙখাং কয়াদা মপানগী শাফু কয়ানা শীংচেপ থারক্কুনা নুংশি চান্নবা অমত্তা ওইনা ইরমদম অসি ঙাকমিন্নরম্বা চীংমী-তম্মী ওইরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা অমনা অমবু থাজদনবনা মরম ওইরদুনা ঈং-তপ্পা অমসুং অপুনবগী শক্তমদা অমগা অমগা *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

টাটা মোটোর জিন্যুন ওইল মণিপুরদসু ফংহনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩(ঐচ এন এস): টাটা মোটোরনা পুথোকপা *টাটা মোটোর জিন্যুন ওইল* লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংদা ফংহনবগুম মণিপুরদসু ঙসিদগী চঙাঙৈ উচেক্কোনদা লৈবা এম জি টি মোটোর ৱার্কশোপতা ফংহনবা হৌখ্রে।

টাটা মোটোর জিন্যুন ওইল মীয়ামদা ফংহনবগী অচম্বা থৌরম অদুদা এম জি টি ৱার্কশোপ মণিপুরগী জেনরেল মেনেজর দিনেশনা হায়খি, টি এম জি ও অসি টাটা মোটোরনা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসিদগী ফংহনবা হৌখিবগুম্না মণিপুরদসু ফংহনবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, টি এম জি ও অসি থাউগী মতিক ময়াই ফবা খক নত্তনা সার্বিসিং তৌবা মতমদসু থাউ অসি শীজিন্নরগদি শেল চঙবা য়াম্না হন্থগনি। জিন্যুন ওইল মীয়ামদা ফংহনবগী মথত্তা এম জি টি মোটোরনা অথুবা মতমদা মোবাইল সার্বিস ৱার্কশোপকী খুদোংচাবসু মীয়ামদা ফংহল্লগনি।

থৌরাং অসিনা কনাগুম্বা মীওই অমনা য়ুমদা ফম্না ফম্না মহাক্কী গাড়ী অদু শেন্থবগী খুদোংচাবা লৈরগনি। লম্বী লমখাংদা গাড়ী য়ারক্তবদা অৱাবা মায়োক্লরম্বদু অনৌবা থৌরাং অসিনা কোকহনবা ঙম্লগনি হায়নসু মখা তাখি।

কানি পাম্বী য়ান্থৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩(ঐচ এন এস): মণিপুর পুলিস, অসাম রাইফলস অমসুং নার্কোটিক্সকী ওফিসলশিংনা চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকী মনুংদা লৈবা লভা তুরেলগী তোৰ্ব্বানদা থারম্বা পোপি (কানি) পাম্বীশিং য়ান্থত্তুনা মাঙ-তাকহনখ্রে। চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকী এদিসনেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (ওপরেসন) বিনোদ রঞ্জানা এজেন্সীদা ফোঙদোরকপা মতুং ইন্না কানি পাম্বীশিং অদু তৈশেন ভীলেজকী ময়া নক্না চেনবা লভা তুরেলগী তোৰ্ব্বানদা চাউরাক্লা একর ৩০ রোম পাক চাউবা মফমদা কানি পাম্বীশিং অদু থারম্বনি হায়রি।

AVIATION & HOSPITALITY ACADEMY
www.aptechaviationacademy.com
Aptech AVIATION & HOSPITALITY ACADEMY Unleash your potential
Pick hot careers in
- Aviation
  - Cabin Crew
  - Ground Staff
  - Customer Service Executive & more...
- Hospitality
  - Front Desk Assistant
  - Guest Relationship Officer
  - Housekeeping Supervisor & more...
100% Placement Assistance
ADMISSION OPEN
For more detials, please visit:
YAIPHKOL BUILDING, Singjamei Parking.
☎ +91 8414808200 +91 7085440528
HL-B/4286/17/12-18/01

LOAN AVAILABLE
AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur
- Vehicle Loan
- Pension Loan
- Service Loan
- T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan
100% Free Processing (Vehicle Only)
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Lokiaokong · B.O. M.G. Avenue, Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in
HL-P/4077/14Dec.-14Jan.

ঈ-পাঞ্জা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং ৱিদরস ক্বের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫